## কোপা অমেরিকা কপ ২০১৬

# মমিং লৈরবা টিম উরুগ্বে লৈহৌরে ভেনিজ্বেলা অমসুং মেক্সিকো কোপা অমেরিকা কপ ফুটবোলগী ক্বার্টর ফাইনেল থাক য়ৌবা ঙমখ্রে



উরুগ্বেবু মায়থীবা পীদুনা কোপা অমেরিকাগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ভেনিজ্বেলাগী শান্নরোয়শিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা

ফিলাদেলফিয়া /পসাদেনা , জুন ১০ ঃ

ঙসি অয়ুক অঙনবদা য়ু এস এগী সহর ফিলাদেলফিয়াদা শান্নখিবা চহী ১০০শুরকপগী ইদিসন ওইরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'সি'গী শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাউথ অমেরিকাগী মমিং লৈরিবা টিম অমা ওইরিবা উরুগ্বে অমসুং ভেনিজ্বেলানা মেটচ অদু ১–০ দা থোইদুনা উরুগ্বে লৈহৌরগা ভেনিজ্বেলা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। গ্রুপ অসিমক্কী পসাদেনা সহরদা শান্নখিবা মেক্সিকো অমসুং জমাইকাগী মেটচ অদু মেক্সিকোনা পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা মখোয়সু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ফিলাদেলফিয়া সহরগী লিঙ্কন ফাইনান্সিয়েল ফিল্ড ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনীমক্কী য়াম্না মরু ওইবা মেটচনি। উরুগ্বে মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মেক্সিকোনা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থীবা নঙখিবনি। অদুগা ভেনিজ্বেলানি মখোয়গী অহানবা মেটচ অদু জমাইকাগা শান্নবদা পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা লাকখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা উরুগ্বেগী য়াম্না মরু ওইবা সহর অমা ওইরিবা হৌজিক হৌজিক্কা স্পেনগী বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবা লুই স্বারেজ মেটচ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

শান্নবগী অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনিট ৯ খত্তঃ ঙাইশিল্লকপদা ভেনিজ্বেলানা পুশিল্লকপা বোল অমা অলিজেন্দা খ্বেরানা উরুগ্বেগী গোল কিপ্পর মসলেরা লাম্ছোক্তুনা মিটর ৩০ হেন্না লোব তৌরকখিবা বোল অদু গোল কিপ্পর অদুনা মনিং হন্দুনা তান্নবদা উচিন নাচিন্না ইনখৎখিদুনা বারদা পাল্লগা হন্দোরকপদা ভেনিজ্বেলাগী ষ্ট্রাইক্কর রোন্দোন্না চেনশিল্লগা মেটচ অদু অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ অদু উরুগ্বেগী মায়কৈদগী লৈজবা পাঙ্গল পূম্নমক পুথোক্তুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবনি। অদুবু টিম অদুগী ষ্ট্রাইক্করশিং অদুনা বোল ফনা য়াম্না পুশিল্লকপা ঙম্লবসু পাঞ্জল ওন্থোকপগী হৈথোই শিংথোইবা অদু উখোকপা ঙমখিদবগী গ্রুপ–সিগী অরোইবা লীগ মেটচ অদুদা উরুগ্বে মায়থীদুনা য়ুএসএনা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা কোপা অমেরিকা কপকী ১০০ শুবা এদিসন অসিদগী লৈহৌখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাসা দেনা সহরদা লৈবা রোজ বোল ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা অফ্রিকাগী চেম্পিয়ন জমাইকা অমসুং মেক্সিকোগা লম্বা তৌনখিবনি। ভাবক লাক্ষ অমরোম্না তিনখিবা মেটচ অদু জমাইকাগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা মেটচ অমা ওইখি। টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা লীগ মেটচ ভেনিজ্বেলাগী মখুত্তা মায়থীবা নঙখিবনি।

অমরোমদা, মেক্সিকো মখোয়গী অহানবা মেটচ মায় পাক্তুনা লাকখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ১৮ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী য়াম্না মরু ওইরিবা ষ্ট্রাইক্কর অমা ওইরিবা জেবিয়র হার্নান্দেসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। তশেংনমক মেক্সিকোগী জিজস মেন্যুয়েল কোরোনানা ফিল্ডগী ওইথংবা মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা জমাইকাগী গোল পোষ্ট ময়াদা মার্ক তৌদনা লৈরম্বা টিমমেদ হানান্দেসনা মপা চানা থাদরকখিবনি। মদুদা হানান্দেসনা য়াম্না নকপা জাগাদগী হেদ তৌশিন্দুনা জমাইকাবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

জমাইকাগী মায়কৈদগীসু অহানবা হাফ অদুদা খুদোংচাবা খরা ফংখি। অদুবু মখোয়গী ষ্ট্রাইক্করশিং অদুনা মেক্সিকোগী গোল ময়া য়ৌশিল্লকপদা বোল অদু টার্গেট চুম্না কাউবগী পাঙ্গল অদু ফংখিদবগী অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল ১–০ দা মেক্সিকোনা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুদা জমাইকাগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়গী হোৎনজমন মহে য়ান্দ্রিঙৈদা মেক্সিকোগী পেরালটানা পাঞ্জল ১গা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা থোইবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। হয়েং আর্জেন্টিনা অমসুং পানামা শান্নগনি অদুগা চিল্লি অমসুং ভোল্লিবিয়া থেংনগদৌরি।



জমাইকাবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইবদা অরোইবা পাঞ্জল চনখিবা পেরালটা (১৯) অমসুং টিমমেটশিংনা হরাওবা

### Copa America 2016 Match Result

| Date | Match | Score |
| --- | --- | --- |
| 10/06/2016 | Uruguay vs Venezuela | 0-1 |
| 10/06/2016 | Mexico vs Jamaica | 2-0 |

### Match on 08/06/2016

| Date | Match | Time(IST) |
| --- | --- | --- |
| 11/06/2016 | Chile vs Bolivia | 4:30 AM |
| 11/06/2016 | Argentina vs Panama | 7:00 AM |

## জিয়ামেনিয়র ওষ্ট্রেলিয়ান বেদমিন্টন ওপন ২০১৬

# সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বী শ্রিকান্ত সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

সিদনি , জুন ১০ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোই কিদম্বী শ্রিকান্ত অমসুং নুপীগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্তন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায়পাক্তুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী য়াম্না মরু ওইবা নুপাগী শান্নরোই অমা ওইরিবা কিদম্বী শ্রিকান্তনা ঙসি মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই ক্বাং হী হীওগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

শ্রিকান্তনা মহাক্কী অহানবা গেম অদুদা সাউথ কোরিয়াগী লম্বা ক্বাংবু সোট খুদিংমক্তা হেঞ্জিলহনবা ঙমহনদবদগী য়াম্না নকশিল্লক্লবা মতমদা অহেনবা মশান্না উত্তুনা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অদুনা পোইন্ট ১৮ য়ৌরকপদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রিকান্তনা পোইন্ত ২১ য়ৌবা হানখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু মায়পাক্তুনা গেম অমা মাংজিল থাদুনা চংখি।

নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীনা অহানবা গেমদা শান্নখিবা মশান্না অদুদগী কা হেন্না হোংদোক্লবা ঙমখিদে। অদুবু ইন্দিয়াগী শ্রিকান্তনা গেম অদু পোইন্ট ২১–১৭তা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী শ্রিকান্তনা সেমিফাইনেলদা দেনমার্ক্কী শান্নরোই হান্স কৃষ্টিয়ান ভিটিংগসকা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াবদি ভিটিংগসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জপানগী শান্নরোই সো সসাকিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৪, ২১–১৮দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী অতোপ্পা সেমিফাইনেলদা চাইনাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরম্বা চেন লোংবু ষ্টেট গেম ২দা ২১–১৪, ২১–১৭তা মায়থিবা পীরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই এন্তোনি সিনিসুকা গিনটিং অমসুং সাউথ কোরিয়াগী জিওন হিয়োক হিওগা লম্বা তৌনরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সুরপ সেরিজ বেদমিন্তন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সেমিফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং চাইনাগী ৱাং য়িহানগা শান্নগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমিফাইনেল অমদনা চাইনাগী শান্নরোই অনী লি জুরোই অমসুং সুন য়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৭ সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোই থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্তানোনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা লাম্থেংনরবা মতুংদা মায়পাকখিবনি।

অহানবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীনা য়াম্না অকনবা মওংদা শান্নখি। অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদবদগী গেম অদু য়াম্না নক্লনা শান্নবা হৌখি। সাইনা নেহৱালনা য়াম্না লুরবা তাঞ্জা অমদা পোইন্ট ২০–১৯দা মাংজিল থাদুনা লৈরবা মায়পাক্পা য়াবগী খুদোংচাবা অদু ফংলবসু ইন্তানোননা পোইন্ট মান্নহনবা ঙমখিবদগী গেম অদু মখাতানা শাংদোরক্তুনা সাইনানা গেম অদু পোইন্ট ২৮–২৬তা থোইদুনা অনীশুবা গেম অদু অমুক শান্নবা শেম শান্নখি।

অনীশুবা গেম অদুদা সাইনা নেহৱালনা য়াম্না ফজবা হেনখিবদগী থুনা য়াংনা পোইন্ট ২১–১৬তা লোয়শিন্দুনা সেমিফাইনেল য়ৌখিবনি।

চাইনাগী জুরোইনা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই ৱাং শিজিয়ানবু থোইখি অদুগা মহাক্কী সেমিফাইনেল লম্বা ওইরিবী চাইনাগী ৱাং য়িহাননা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই টাই জু য়িংবু থোইরম্বনি।



ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্তন টুর্নামেন্টকী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী শ্রিকান্ত অমসুং সাইনা

# য়ুরো ফুটবোল ২০১৬কী অহৌবা নুমিত্তা য়ুম্বু ফ্রান্স অমসুং রোমানিয়া শান্নরগনি

সেন্ট দেনিস , জুন ১০ ঃ

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬কী অহৌবা নুমিত্তা য়ুম্বু ফ্রান্স অমসুং রোমেনিয়া শান্নরগনি। নুমিৎ অসিমক্তগী অলবেনিয়া অমসুং স্বিজর্লেন্দ অমদি ৱেলস অমসুং স্লোভাকিয়া শান্নগনি। ২০১২দা শান্নখিবা মমাংগী ইদিসন্দা স্পেননা টাইটল লৌরগা ইটালিনা রন্নর্স তাখি।

## EURO-2016 FIXTURE

| Day / Date | Match | Time | Venue |
| --- | --- | --- | --- |
| Saturday 11 June | France v Romania | 01.30 AM IST | St-Denis |
| Saturday 11 June | Albania v Switzerland | 7.30 PM IST | Lens |
| Saturday 11 June | Wales v Slovakia | 10.30 PM IST | Bordeaux |
| Sunday 12 June | England v Russia | 01.30 AM IST | Marseille |
| Sunday 12 June | Turkey v Croatia | 7.30 PM IST | Paris |
| Sunday 12 June | Poland v Northern Ireland | 10.30 PM IST | Nice |
| Monday 13 June | Germany v Ukraine | 01.30 AM IST | Lille |
| Monday 13 June | Spain v Czech Republic | 7.30 PM IST | Toulouse |
| Monday 13 June | Republic of Ireland v Sweden | 10.30 PM IST | St-Denis |
| Tuesday 14 June | Belgium v Italy | 01.30 AM IST | Lyon |
| Tuesday 14 June | Austria v Hungary | 10.30 PM IST | Bordeaux |
| Wednesday 15 June | Portugal v Iceland | 01.30 AM IST | St-Etienne |
| Wednesday 15 June | Russia v Slovakia | 7.30 PM IST | Lille |
| Wednesday 15 June | Romania v Switzerland | 10.30 PM IST | Paris |
| Thursday 16 June | France v Albania | 01.30 AM IST | Marseille |
| Thursday 16 June | England v Wales | 7.30 PM IST | Lens |
| Thursday 16 June | Ukraine v Northern Ireland | 10.30 PM IST | Lyon |
| Friday 17 June | Germany v Poland | 01.30 AM IST | St-Denis |
| Friday 17 June | Italy v Sweden | 7.30 PM IST | Toulouse |
| Friday 17 June | Czech Republic v Croatia | 10.30 PM IST | St-Etienne |
| Saturday 18 June | Spain v Turkey | 01.30 AM IST | Nice |
| Saturday 18 June | Belgium v Republic of Ireland | 7.30 PM IST | Bordeaux |
| Saturday 18 June | Iceland v Hungary | 10.30 PM IST | Marseille |
| Sunday 19 June | Portugal v Austria | 01.30 AM IST | Paris |
| Monday 20 June | Switzerland v France | 01.30 AM IST | Lille |
| Monday 20 June | Romania v Albania | 01.30 AM IST | Lyon |
| Tuesday 21 June | Slovakia v England | 01.30 AM IST | St-Etienne |
| Tuesday 21 June | Russia v Wales | 01.30 AM IST | Toulouse |
| Tuesday 21 June | Northern Ireland v Germany | 10.30 PM IST | Paris |
| Tuesday 21 June | Ukraine v Poland | 10.30 PM IST | Marseille |
| Wednesday 22 June | Croatia v Spain | 01.30 AM IST | Bordeaux |
| Wednesday 22 June | Czech Republic v Turkey | 01.30 AM IST | Lens |
| Wednesday 22 June | Hungary v Portugal | 10.30 PM IST | Lyon |
| Wednesday 22 June | Iceland v Austria | 10.30 PM IST | St-Denis |
| Thursday 23 June | Sweden v Belgium | 01.30 AM IST | Nice |
| Thursday 23 June | Italy v Republic of Ireland | 01.30 AM IST | Lille |
| **KNOCKOUT PHASE** | | | |
| **Round of 16** | | | |
| Saturday 25 June | 2nd Group A v 2nd Group C | 7.30 PM IST | St-Etienne |
| Saturday 25 June | Winner B v Third-place A/C/D | 10.30 PM IST | Paris |
| Sunday 26 June | Winner D v Third-place B/E/F | 01.30 AM IST | Lens |
| Sunday 26 June | Winner A v Third-place C/D/E | 7.30 PM IST | Lyon |
| Sunday 26 June | Winner C v Third-place A/B/F | 10.30 PM IST | Lille |
| Monday 27 June | Winner F v Runner-up E | 01.30 AM IST | Toulouse |
| Monday 27 June | Winner E v Runner-up D | 10.30 PM IST | St-Denis |
| Tuesday 28 June | Runner-up B v Runner-up F | 01.30 AM IST | Nice |
| **Quarter-finals** | | | |
| Friday 30 June | Winner M1 v Winner M3 | 01.30 AM IST | Marseille |
| Saturday 1 July | Winner M 2 v Winner M 6 | 01.30 AM IST | Lille |
| Sunday 3 July | Winner M 5 v Winner M 7 | 01.30 AM IST | Bordeaux |
| Monday 4 July | Winner M 4 v Winner M 8 | 01.30 AM IST | St-Denis |
| **Semi-finals** | | | |
| Thursday 7 July | Winner QF1 v Winner QF2 | 01.30 AM IST | Lyon |
| Friday 8 July | Winner QF3 v Winner QF4 | 01.30 AM IST | Marseille |
| **Final** | | | |
| Monday 11 July | Winner SF1 v Winner SF2 | 01.30 AM IST | St-Denis |

# আভিনাব ভিন্দ্রা ইন্দিয়াগী ফ্লেগ বিয়ারর ওইরগনি

ন্যু দিল্লী , জুন ১০ ঃ

চহী অসিগী ওগষ্ট ৫দগী ২১ ফাওবা ব্রাজিলগী রিও সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিকক্তা ইন্দিয়গী টিমদা শরুক য়ারিবা সুট্টর আভিনাব ভিন্দ্রানা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা কন্টিনজেন্ট লুচিংগদৌরি।



# চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়া অমসুং জর্মেনি অহানবা মেটচ পাঞ্জল ৩–৩দা দ্রো চৎখ্রে

লন্দন, জুন ১০ ঃ

ইলেন্দগী সহর লন্দনদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা নুপাগী হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং মমাংগী চেম্পিয়ন টিম ওইরিবা জর্মেনিগী মেটচ অদু পাঞ্জল ৩–৩দা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই কোথাজিৎ অমসুং চিংলেন্সনা শরুক য়াখি। ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়ান চনবা হানখি। শান্নবগী ৫শুবা মিনিত্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নর স্পিসিএলিষ্ট ভি রঘুনাথনা চনবা ঙমখি।

জর্মেনিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নাবা হোৎনখি। অদুবু মেটচকী অহানবা ক্বার্টর লোয়শিনকিবদা ইন্দিয়ানা জর্মেনিবু পাঞ্জল ১–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা ক্বার্টর লোয়গদবা মতম য়ামশিল্লক্রবদা জর্মেনিগী মায়কৈদগী তোম গ্রামবুসনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফ অদু লোয়গদবা মিনিট ৪খক ৱাংলিঙৈদা ইন্দিয়াগী মন্দিপ সিংহনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমনা জর্মেনিবু পাঞ্জল ২–১দা মাংজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকখি। জর্মেনিনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী হর্মনপ্রিট সিংহনা পেনাল্টি কোর্নর অমদগী মেটচ অদুগী ওইনা ৪শুবা অদুগা ইন্দিয়াগীনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৬কী অহানবা মেটচ অদুদা পাঞ্জল ৩–১দা মাংজিল থাদুনা চহী অসিগী ওগষ্ট ৫দগী ২১ ফাওবা ব্রাজিলগী কোনুং সহর রিও দি জেনৈরোদা হৌগদৌরিবা ওলিম্পিকক্কী শেম শাবা ওইনা শরুক য়ারিবা অসিদা ইন্দিয়াগী ফিভম ফজনা লৈবা ঙমখি।

পাঞ্জল ১–৩দা শোথরবা জর্মেনিগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৩৭শুবা মিনিত্তা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। হায়রিবা খুদোংচাবা অদু মাঙহন্দনা জর্মেনিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা তোম গ্রামবুসনা অমুক্কসু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ৩ অদুগা জর্মেনিগী পাঞ্জল ২ লৈখি।

মেটচকী অহুশুবা ক্বার্টর অদুদা জর্মেনিনা য়াম্না কনবা মওংদা প্রেসর পীদুনা শোথখিবা পাঞ্জল অমখক অদু হন্দোক্নবা লাক্নরকখি। ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজবা মওংদা গোল হন্দোক্নবা হোৎনবা ঙমখি।

মেটচকী অরোইবা ক্বার্টর অদু লোয়গদবা মিনিট ৩খক ঙাইরবা মতমদা জর্মেনিগী মায়কৈদগী য়াম্না তাঞ্জা চাবা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু গোল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩–৩দা মান্নদুনা লৈখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনিট ৩ অদুদা মায়কৈ অনীমক্তগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী ঙসি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমিৎ অদুদা ইন্দিয়া অমসুং জর্মেনিগী মেটচ অদু পাঞ্জল ৩–৩দা দ্রো চৎলগা লোয়শিনখি।

# ইদেন গার্দেন্সনা য়ুম্বু ওইরগনি

কোলকতা, জুন ১০ ঃ

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা শান্নগনি হায়না তৌরিবা টেষ্ট ক্রিকেট ইতিহাসকী অহানবা ওইনা শান্নগদবা দে এন্দ নাইট টেষ্ট ক্রিকেট মেটচকী য়ুম্বু অদু কোলকতাদা লৈবা ইদেন গার্দেন্স ক্রিকেট ষ্টেদিয়মনা ওইরগনি হায়না ক্রিকেট এসোসিএসন ওব বেঙ্গোলগী ওফিসিএল অমনা ফোংদোকখ্রে।

মেটচ অদু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজদা অহানবা ওইগদৌরিবনি। হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী শান্নরোই ১৬না শাবা টিম অমা জিম্বাৱেদা অতেনবা ৱান–দে সেরিজগী টুর অমগীদমক শেমশাদুনা লৈরি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*